# লমদম অসিগী মশক নাইরবা ঠিএটর অমদি ফিল্মগী এক্টর সোরাইশম কেশোরাম

*- নানি*

লমদম অসিগী শক্লাইরবা শক্তমলাংবা কয়াগী মনুংদা চিথবা য়াদনা খুৎ থেক্লরিবশিংগী মনুংদা সোরাইশম কেশোরামসু অমনি। মমিং লৈরবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ননা পুথোকখিবা প্লে কয়াদা শরুক য়ারকখি। মণিপুরী ফিল্ম কয়াদসু রোল কয়া লৌদুনা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবীরকখি। শ্রী এস কেশোরাম ঠিএটর অমদি ফিল্মগী লমদগী খরা হায়দোক্লগসু য়েংবদা মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সর্ভিসতা কুমজা ১৯৬০দগী হৌনা থবক তৌবা হৌরকখি। মতম শাংনা ইমপ্লোয়ীশিংগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়াদা মায়পুননা হোৎনরকখি। মহাক্কী থৌদাং অদুগীদমক মীয়াম্নসু হেন্না মহাকপু শকখঙবীখি।

কুমজা ১৯৪২গী মার্চ ১দা থৌদা ভাবোক লৈকায়, সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা তাইবং ফাওরকখি। অপোকপগী মিংনা লৈখিদ্রবা এস কলাচান্দ সিংহ অমদি অপোকপীগীনা লৈখিদ্রবী ঙানবী দেবী কৌই। অপোকপা মতম অদুগী য়াম্নমক মীয়াম্না শকখঙবা নৎত্রবসু আর্টকী লন্বীদা য়াম্না পামজনা হৌরকপা, বাঁসি খোংবা অমদি পুঙনচিংবসু য়ৈরকপা মীশক অমা ওইরকখি। অপোকপগী ঈচেলদা চেনখিবা আর্টপু নুংশিজবা অমদি পামজবগী ঈরিক ঈখায়রকপনা মরম ওইদুনা শ্রী কেশোরাম পীক্লিঙৈদগী হৌনা আর্টপু করিনো হায়বদুদি খঙজদনা নীংথিনা পামজরকপগী ইহুল অমদি পোক্তুনা লাকখি। অদুবু মদুমক্লা হেক্তা য়াকায়দুনা লন্বী অসিদা ঙল্লিঙৈদগী হৌনা চঙশিল্লকপমক্তি ওইখিদে। অদুবু জোনষ্টোন হায় স্কুলদা মহৈ তম্লকপা মতমদা, চাউরাক্লা ক্লাস সেভেন/আইট কারকপা অদুৱাইদা, স্কুলগী সরস্বতি পূজাদা স্কুলগী দ্রামা শান্নবা মতমদা দ্রামা য়াওদুনা থোরকপা হৌখি। মতম অদুৱাইদা স্কুল, কোলেজদা স্বরাসতি পূজা হায়বসি য়াম্না চাউনা চাউনা পাঙথোক্লরম্মী। মহৈরোয়শিংনা মশা মশাগী হৈজবা আর্টকী য়াকাইফম ওইনা তৌরকখি। ঈশৈ, জগোয়, লীলা কয়া ওজাশিংনা থৱায় য়াওনা শীনবী লাংবীদুনা মহৈরোয়শিংগী টেলেন্টশিং অদু উৎথোকচনবগী তাঞ্জা পীদুনা লাকখি। মতমদুদা স্কুলগী থৌরমশিংদা মায়পুননা শরুক য়ারকপশিং কোন্নথংদা মতিক চাবা আর্টিষ্ট ওইরকপগী ৱারী কয়া অমসু মরাং কায়না লৈখ্রে। করিগুম্বা স্কুলশিং অদুনা মদুগী তাঞ্জা অমা পীরমদবা তারবদি মতমদুগী মহৈরোয়শিংগী টেলেন্টশিং অদু নমশিন্দুনা থন্বীখিবনা ময়োল ফাওবা চোংলমদবা য়াই। শ্রী এস কেশোরামসু স্কুলগী থৌরম অদুদা মশাগী তুংদা ওইরকপা য়াবা মঙাল অমা পীখি। মদুনা ইনোৎ পীদুনা পুন্সিদা এক্টর অমা ওইরক্লবগী লন্বী য়াৎপা হৌখি।

কুমজা ১৯৭০দা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি য়ু)দা মিং চন্দুনা আর্টিষ্ট মেম্বর অমা ওইরকখি। কুম অদুদগী হৌনা য়ুনিয়ন অসিগী মমিং লৈরবা প্লে কয়াদা রোল কয়া লৌদুনা শরুক য়াবা হৌরকখি। মমিং খরদং পল্লবদা- **খম্বা থোইবী, কেগে লমজা, উরা নহা খোংজোম্বা, হাওরং লৈশং শাফবী, তোনু লাইজিংলেম্বী, এলেকজেন্দর, বির টিকেন্দ্রজিৎ, সতি খোংনাং, য়াইরিপোক থম্বালনু, মাঙুরবা মনি, সূতি, চহী তরেৎ খুন্তাকপা, অনুতাপ, অনৌবা মপোক, লোন্নবী মচা, সাবিত্রি সত্যাবান, কর্না আর্জুন অমদি কুরক্ষেত্রা** নচিংবা পনবা য়াই। চাউরাক্লা এম দি য়ুগী মমিং লৈরবা প্লে ২০ হেনবদা মশাগী মমিং চপ চানা থম্বা ঙমখিবা য়াম্না অতাঙবা এক্টর অমা ওইনা শীংথারিবনি। এক্টর অমা ওইনা য়ুনিয়ন অসিগী বোর্দ ওফ দিরেক্টর্সদা য়াওদুনা প্লে কয়া অমসু দিরেক্সন পীদুনা পুথোকপা হৌরকখি। হৌজিক ফাওবদা দিরেক্সন পীখিবা প্লে খরগী মিং থমজরবদা- **পানা কাংজৈ, মিরাইমুরাবি, মাইনু পেমচা, সতি খোংনাং, ফুতানি কম্পিটিসন** পনবা য়াই। অতোপ্পা প্লে কয়া অমগী কন্সল্টেন্ট ওইনসু শরুক য়ারকখি। মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী থৌশিল থৌরম কয়াদসু তাঙ্কক কয়াদা য়াওশিন্দুনা য়ুনিয়নগী চাউখৎ থৌরাং কয়াগী পোরম য়াৎপদা মাঙজিল থারকখি। হৌজিকসু য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরি।



পব্লিসিটি দিপার্টমেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ওল মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিভেল ১৯৭০দা **য়াইরিপোক থম্বালনু** হায়বা প্লে অসিদা *পুর্নম সিংহ*গী রোল লৌদুনা শরুক য়াবদা পুন্সিগী ইহান হানবা ওইনা **বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর** গী মনা ফংবা ঙমখি হায়না এক্টর অসিনা পাউদম্লকখি। প্লে অদুগী রোল অদু লৌনবা হোৎনবদা য়াম্না অৱাবা কয়া মায়োক্লখি। ওজাশিংনা পাম্লিবা অদু তাবা ঙমদদুনা ওজাশিংগী মীচৈ কয়া তাখি। অদুবু থৱায় য়াওজবা, ওজানা হায়বা পুম্নমকশিং অদু পূক্লিং লুপচবা অমদি ঈশ্বরনা চানবীখিবা অদুনা মায় পাকপা ঙম্লকখিবনি হায়বগী ৱাফমসু থন্বীরকখি। মমিং লৈরবা লাইগুম্লবা মতমদুগী দিরেক্টর হৌজিক্তি লাই ওইখ্রবা- *নিংথৌজম তোম্বী, ঐচ থম্বাল শর্ম্মা, খাইদেম বিহারী সিংহ, মাইবম রামচরন সিংহ, সোরোখাইবা ভুবোন সিংহ* ওজাশিং অসিগী মখাদগী আর্ট এক্টিং তমজরকখি। হৌজিকসু ওজাশিং অদুতা নত্তনা মহাকপু আর্টকী লন্বীদা মায়কৈ তাকপীখিবা অমদি লমজিংবীখিবা ওজা কয়াবুসু থম্মোয়দা চেৎনা থাগোন্নহৌরি। মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওইনা লাংজবা অখন্নবশিংদা লান্থোকপা এৱার্দ অনী অমসু শ্রী সোরাইশম কেশোরামনা ফংজখি। মদুদি- *গম্ভিনি এৱার্দ অমদি এস চাওবা এৱার্দ* নি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনসু আর্টিষ্ট অসিনা মহাক্কী আর্টকী লমদা পীরিবা কন্ট্রিব্যুসন কয়াবু শকখঙবীদুনা **নত্যভুষন** হায়বা মনা অসি লান্থোক্তুনা ঈকায় খুম্নখি। মসিদা নত্তনা মণিপুর সঙ্গীত নত্য মহাবিদ্যলায়ানসু অখন্নবা ওইনা বির টিকেন্দ্রজিৎ প্লে দিরেক্সন পীবগী অখন্নবা এৱার্দসু পীদুনা ঈকায় খুম্নখি।

মণিপুরী ঠিএটরখক্তা নত্তনা শ্রী সোরাইশম কেশোরাম মণিপুরী ফিল্ম কয়াদসু মশক থোক্লা কুমদুনা অচৌবা কন্ট্রিব্যুসন কয়া তৌদুনা লাকখি। ইহান হানবা ওইনা এন এস ফিল্মনা পুথোকপা, ১৯৭৬তা নেসনল এৱার্দ ফংখিবা **শাফবী** হায়বা ফিল্মদা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরী ফিল্মদা খোঙদারকখি। অনীশুবা ওইনা শরুক য়াখিবা **ওলাংথাগী ৱাংমদসু** হায়বা ফিল্ম অসিদসু অহল অমগী শক্তম লাংদুনা ফিল্মগী মতিক ময়াই হাপ্পা ঙম্বা এক্টিং কয়া তৌখি। ফিল্ম অদুমকসু ১৯৮০দা নেসনল এৱার্দ ফংবা ঙমখি। অসুম্না এন এস ফিল্মগী **কোম্বীরৈ, সনামানবী সনারৈ, হেল্লোই,** পোনি ফিল্মগী থম্বাল, মৈরি, অঞ্জনা ফিল্মসকী **খম্বা থোইবী**, শ্রী শ্রী গোবিন্দজি ফিল্মসকী **ঐগী পুন্সি,** লিবর্টি ফিল্মসকী **য়াইরিপোক থম্বালনু,**নচিংবা ফিল্ম কয়াদা মশক থোকপা রোল কয়া লৌদুনা শরুক য়ারকখি। সিগী মতুংদগীদি দিজিটেল ফিল্ম খরদসু কুম্লকখি- **মথং মপোক, ঙমখৈ ৱাথোক, লখিপুরগী লখিপ্যারি, চামঙা চৎপী, ঈশ্বরগী খুদোল** নচিংবা ফিল্ম খরদসু শরুক য়াখি। মহাক্লা মণিপুরী ফিল্মগী লমদা তৌরক্লিবা কন্ট্রিব্যুসন কয়া অসিবু শকখঙবীদুনা মণিপুর ফিল্ম দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসননা শীনখিবা ২৫ রকশুবা মণিপুরী সিনেমাগী নীংশিং ৯.৪.১৯৯৬ তা শ্রী কেশোরামদা সর্টিফিকেট ওফ ওনর পীদুনা ঈকায় খুম্নখি। লোয়ননা ২০১৫দা সাহিত্য সেবা সমিতি ককচিংনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থৌরমদা মণিপুরী সিনেমাগী ওইবা নেতা ইরাবত লীলারোয় লাইফ টাইম মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নবীখি।

হৌজিক মশাগী চহী ৮০ শুজিল্লক্লবা এক্টর অসি মণিপুরী ফিল্ম অমদি ঠিএটরগী ৱাখলদা তাওদুনা লৈরি। হেন্না মশক থোকপা থবক কয়া তৌনিংবসু ফাওরি। অদুবু চহী য়ামশিল্লকপা অমদি হকচাংগী পাঙ্গল শোনজিল্লকপা কয়া অসিনা মরম ওইদুনা নীংজরিবা থবক খূদিংমক পাঙথোকপা ঙমখিগদ্রা হায়বগী মশাদা নীংহন্নবা ৱাখলসু করিগুম্বদা মোংহৌরি। অহল ওইশিল্লকপগী হৌনশা মিৎ খজিক নুংঙাইতবা ফাওরক্লে, অদুবু অখঙ-অহৈ ডোক্তরশিং তান্নদুনা ফগৎনবা কন্না লায়েং চথুরি। য়াম্না কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাইমক্তি হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈত্রি। তাঙলবা মমল নাইদ্রবা অহল লমন কয়াশিং অসিনা য়োমদুনা থন্বীরিবা মণিপুরী কলচরগী ওইবা লনগৈ কয়াশিং অসিনা ঙসিগী নহাশিং অসিনা মপূক্লিং পেঞ্জনা নুংঙাইনা পোত্থা পোত্থা য়েংজরিবনি। মখোয়গী মতৌ তমজনিংঙাই য়াম্না লৈরি। মরম কয়াশিং অসি লৈবনা, অসিগুম্লবা তাঙলবা অহলশিং অসিবু তাইবং শেন্বীরিবা মপুনা মতম চুপ্পদা ঙাকপী শেনবীনবা নীংজরি লোয়ননা পুকচেল তিংনা থৌনিজরি,- শক্লাইরবা লমদম অসিগী তাঙলবা এক্টর অসিবু মতম শাংনা নাদ-য়েক্তনা পুন্সি নুংশাংনা ঐখোয়গী নাক্তা লেঙদনা লৈহনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকচরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৩।১০।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
লাংবনগী ২৭ নি পানবা।

মেষ: হুরানবনা নরলদা মীতাবা লৈ, অরোনবা হায়দোক্নু। মরুপ মপাংনসু মতম মাঙহনগনি। মীয়াম্নদি চানবীগনি, ইচঙ থৌবগী কান্নবা ফংগনি, মী ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: পুক্লিং ফাথনা লৈবা ফগনি, ফিংলদি মচা-ননাই মাঙগনি। নোল্লুক্লা চৎলদি মরুপ মপাং কায়নরোই অমদি চরাংনদবনা অফবা মফম কনবা ঙমগনি, কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - অশাওবনা কায়হনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মিথুন: য়েৎনবা মরম নত্তনা লম খূদিংদা মায় পাক্কনি, শেন্দোং তানবৈ লমদা কান্নগনি, লেঙদবা লন চাওখৎকনি অমদি অফবা মীংচৎ শোয়দনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: অরাপ্পা মী তিন্নবা কান্নগনি, ৱানোম থৌনোম কান্নগনি অমদি য়েক্লবা লৈরম্বা মাঙখিনি। অদুবু অফা-অপুনগী থবক্তা মাঙজবা লৈ, থিজিনবা লেপকনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লান্দবনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: হরাওবা, নুংঙাইবা অমদি মীচঙ হেনগৎপা নুমিৎনি। অনিংবা অফবা থবক পাওগনি অমদি অফবা মফম ফংজগনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: খোয়রাং খোয়শাওবা, ৱাঙাং হৈত্রদি চোপ্পা অমদি হোয়া ফরগনা চাদিং হেনবা নুমিৎনি। য়ারদি অনৌবা থবক পাওগনু অমদি অশাওবা ফাথবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরুপকী মতেং লৌবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা: ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, তুংগী পোরম য়াৎপা হৈগনি অমদি ঙাং-শকপদা মীনা থাগৎপিগনি। মরুপ মপাংনদি ৱারৌবা অমদি লৌশিং ৱাৎপা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: ইমুং মনুংদা মহু চাওবনা তাথিবা অমদি পাউ নুংঙাইতবা তাবা য়াই। পঙলদি নরল অমদি ননাই ময়েং তাগনি। অদুবু মীয়াম পুল্লগা নুংঙাইবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: হনবা লৈতনা হোৎনবনা অনিংবা থবক পাওগনি অমদি থৌনা ফুদোকপগী কান্নবা ফংজগনি। অরুবা ৱারেপ লৌবা য়াগনি অদুবু হেন্না হোয়াদি ফগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - চরাংনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর: য়েৎনবা পামগনু, খাঙবা কল্লু অমদি অঙম্বগা মুক্লদনবা হোৎনৌ। অদুবু মরুপ মপাংগী মতেং লৌবদি কান্নগনি অমদি কিদবনা থৌ পাওগনি, থাজৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা ঙাংদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

কুম্ভ: নিংবা থুংগনি, য়েক্লববু ঙসিসু ঙমগনি অমদি ওইজবা খরদি ফংগনি। অনৌবা থৌরমদনা হেন্না কান্নগনি। অদুবু মীতোপ্পা তাথি, লৌশিং মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মিন: লাইবক ফগনি, নচা-ননাই ফংগনি অমদি মীয়াম্না থোইনা চানবীগনি। লম চৎপা কান্নগনি অমদি নুংঙাইবা পাউ তাগনি। য়েক্লবনা তাথিবীবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## হুইয়েন জোক্স

মপা : বোমচা, মীতৈ/মৈতৈ করম্বনা চুম্মী?
বোমচা : অস! বাবা মীতৈলোল/মৈতৈলোল ফাও খঙদ্রি। হো, অনী থোকপী লৈবাকনে।
মপা : চুম্মীনে চীঙদা অমা, তমদা অমা লো অনী শুই অমুক হায়রক্লনি।
বোমচা : বাবা, ময়েক্কী ৱাফমসু হৌদোরক্কনুকো।
মপা : শেলয়েক্তা হাপ্পা কাইদুদি মঙ মঙলুখিনুকো।

---

ওজা : করপসন করম হায়না মুথৎক্কনি।
মহৈরোয় : করপসন মুথৎপা য়াম্না লায়।
ওজা : করম হায়না ?
মহৈরোয় : (নোক্লগা) ব্লেক বোর্দতা ইরগা মুথৎতোইনি সর, মসি নত্তনা পাম্বৈ লৈতে...।

---

তোমচা : হন্দক মরক অসি চাওতোনসি হিন্দি য়াম্না ঙাঙই।
নাওচা : মোবাইলদা, টি ভিদা হিন্দিদা ঙাঙবা প্রোগ্রাম কয়া শোয়দনা য়েংলমগনি।
তোমচা : হান্না ইংলিস ঙাঙলম্বদুনা ইংলিসতা য়েংবজাৎলা?
নাওচা : হোয়...!
তোমচা : অদুদি মণিপুরীদা য়েংলগদি মণিপুরী লোল ঙাঙলকপা য়াইনেকো...!!

---

নুপী : তারিবো, ঐখোয় অনী লুহোংবিরকখিবা নুপাদো লৈখিদ্রেয়ে।
নুপা : অদুনি, মানা তৌবনা মানা ফংই হায়বদুনি ...!!

---

বোইনাও : রামায়নদা য়াওবা রাবোননা নোংমা দান্স ক্লবতা দান্স তৌবা চৎলুবদা রাবোন অদু ৱান্থখি। করিগীনো খঙব্রা?
তোনাউ : খঙদে।
বোইনাও : মরমদি দান্স ক্লবকী এন্ট্রি ফীগী মমল পর হেদতা লুপা ২০০০নি।

---

তোম্বা : নুপা অয়াম্বনা জ্বার শান্নবা পাম্লিবসি করিগীনো খঙব্রা?
তামচা : খঙদে।
তোম্বা : মরমদি জ্বার মশান্না খক্তদা বেগমবু থাংগৎ-থাংগৎতুনা থাদবা য়াই। রিএল পুন্সিদদি অদুম হায়না তৌবা ঙমদে।

---

ট্রাফিক পুলিস : নঙগী গাড়ি লাইসেন্স অমদি চে-চাং পূম্নমক শুরে। অদুবু ফাইন লুপা ২০০০ থীদবা য়াররোই।
গাড়ি মপু : অদুদি করিগীনো?
ট্রাফিক পুলিস : মরমদি নঙগী গাড়ি লাইসেন্সতগী চিংনা দোক্যুমেন্ট খুদিংমক গভর্ণমেন্টনা থীংখ্রবা পোলিঠিনদা য়োম্লগা হাপ্পি...!!

---

মেদাম : চাওবা হায়য়ু- ৪দা ৪ হাপচিল্লদি কয়া তারে।
চাওবা : ১০ তাই মেদাম।
মেদাম : ৮ তাই, করম হায়না ১০ তারিবনো?
চাওবা : মেদাম, ঐখোয় পুকচেল চাওবা মীনি অদুনা ২ হেন্না হাপচিনবনি...!!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : Grapes
By : Akoijam Yoihenba Angomcha
Class : Nursery
School : Kids Activity Centre Wangkhei Thangapat



Title : Scenery
By : Giangchuilung
Class : IX
School : Maheilen Education Centre



Title : Fish
By : Leitanthem Lanchenba
Class : III
Address : Kongpal Chanam Leikai



Title : Rate
By : Lenin Mangang
Class : IV Roll : 17
School : The Young Star Dynamic English School



Title : Scenery
By : Liklaikhomba Meitei
Class : III Roll : 50
School : Springfield School, Imphal




Title : King
By : Ningthoujam Lingjelthoibi Devi
Class : III
School : N. Chaobi Memorial School



Title : Landscape
By : Ningthoujam Priyancy
Class : IV Roll : 10
School : Modern Hr. Sec. School, Bishnupur



Title : Captain America
By : Okram Athouba Meitei
Class : V
School : Nawa Sindam Sang Thoubal




Title : A Fish in the Sea
By : T. Damini
Class : KG Sec : Lotus Roll : 4
School : SL Arena of Learning



Title : Banana
By : T. Ranjita
Class : Pre-Nursery Roll : 14
School : SL Arena of Learning



Title : Scenery
By : Th. Sageinganba
Class : III Roll : 14
School : Maheilen Boarding Haotal



Title : Corona
By : Thounaojam Enu
Class : K.G.
School : My First School




Title : Good Morning
By : Tomthilnganbi Laishram
Class : I Roll No. 6
School : Laisukol



Title : The Case of the missing bicycle
By : Vyas Koijam
Sec: VI Roll : 37
School : Kendriya Vidyalaya No. 1



Title : Hill
By : Yohenba Kh.
Class : KG Sec: Lotus
School : SL Arena of Learning



Title : Kabul Airport Crisis
By : Thoithoiba Okram
Class : Nursery
School : Shishu Nistha Niketan

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।